# কুমজা ২০১৭ তা য়ু কেগী বরমিংহেম য়ুনিভর্সিটিদা তৌখিবা নুমিৎ ১৫গী স্পোর্টস সাইন্সকী ট্রেনিং কোর্স অমদসু শরুক য়াবা ফংজরকখি : দেবেন





(হান্নগী মখা...)

ইন্দিয়াদগী চৎলিবা ঐখোয় ২৫নি, বরমিংহেম য়ুনিভর্সিটিগী অচৌবা হোষ্টেল অমদা পুল্লপ লৈরগা ট্রেনিংদু য়াম্না নুংঙাইনা তৌখি। য়ু কেদা চৎখিবা ট্রেনিং কোর্চতুদি প্রেক্টিকেলগী ওইবা শরুক্তি কয়া য়াওখিদে। মরু ওইনা মদুদা তৌরকখিবসি স্পোর্টস ইন দি য়ু কে, এথলেট মেনেজমেন্ট, ন্যুট্রিসন এন্দ সাইকোলোজি ক্যের ষ্টদিজ, দোপিং ইস্যু ইন কোচিং, এলটিচ্যুদ হিট এন্দ কোচিং, এপ্লাইদ স্পোর্টস সাইন্স এন্দ দিসএবিলিটি স্পোর্টস এন্দ কোচিং, টেলেন্ট আইদেন্টিফিকেসন, ফিজোথেরাপি ইম্পৰারিং কোচিং হায়রিবা হীরমশিং অসিদনি। গেমস এন্দ স্পোর্টসতা খ্বাইদগী মরু ওইরিবশিং অসিগী মতাংদা খঙ-হৈরবা এদ্যুকেটর কয়ানা চথখিবা ক্লাসশিং অদু তাজরুবদা ঐখোয়দা মীৎ-নাকোং য়াম্না ওইজখি।

থা মখায় অমা চূপ্পা চথখিবা ট্রেনিং কোর্সতু হেক লোইবগা টেষ্ট অমা তৌখি। মখোয়না পীখিবা ক্লাসতু খরগীমখৈ খঙলব্রা হায়দুনা চাংয়েং তৌবনি। খুদম চাংদমগা লোয়ননা তৌখিবা লেকচরশিং ওইবনা থোইনা কনফিয়ুজ চৎপা চমম্নবা করিসু থোকখিদে। য়ু কেদা তৌখিবা কোর্সসিমদি য়াম্নসু নুংঙাইবা ওইখি। ক্লাস তৌনা তৌনা মরক্তা য়ু কেগী মমিং চৎপা শান্নবুংশিং, স্পোর্টসকী মরু ওইবা মফমশিংদসু পুদুনা য়েংহনখি। য়ু কেদা খ্বাইদগী পাম্নবা গেমশিং অসিসু করি করিনো হায়বা খঙহন্নবগীদমক ঐখোয়বু কোয়পু পুবিখি। শান্নবুংদা নত্তনা লন্দনগী মরু ওইবা টুরিষ্ট সেন্টরশিংদসু পুদুনা য়েংহনবীরকখি। অমমম উবদা পূক্লিং হুনা ফজরবা মফম কয়া মথং মথং উহনবীরকপদা ইশাসি নুংঙাইবনা থুমহৎখি। লন্দনগী মমিং চৎলবা টুরিষ্ট স্পোটশিং আইরন ব্রিদজ, বিগ বেন, কোকাকোলা লন্দন আই, কেদবুরি, বক্কিমহাম পেলেস, লন্দন টৱার ব্রিদজ, রোয়েল পেলেস, ইদিগবাষ্টন ক্রিকেট গ্রাউন্দ, মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, মচৱেনলোক হায়রিবা মফমশিং অসি গাইদ অমনা লিদ তৌদুনা পুরগা লোইনমক এক্সপ্লেন তৌর তৌরগা য়েংহনবীরকখি। জর্মনিদদি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
জুদোদা মীৎয়েং অমা

চৎনীংলবসু এগজামগী টেন্সন লৈবনা মরম ওইরগা খোঙকাপ অমত্তা ঐহাক কান্থোকপা ঙম্লকখিদে। অদুবু য়ু কেগী খোঙচৎ অসিমদি ইনিং থুংনা নুংঙাইনা চৎপা ফংজরকখি।

য়ু কেদা তৌবা ট্রেনিং ষ্টাইলসিগী নুংঙাইবা অমনা ট্রেনিং কোর্স মনুংদা কা হেন্না সেরিয়স ওইহনদে। ষ্টদি তৌবা মওংসি ইন্টরটেনমেন্ট য়াওরগা তৌই। পূক্লিং ৱাখলসি য়াম্না ফ্রি ওইনা লৈহল্লগা ট্রেনিংসি চথে। অদুনা কোর্সতুদা য়াওজরিবা ঐখোয়সি তোপ তোপ্পা মহাও অমা ফংহল্লি। লন্দন্দা ঐগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইজরকপা অমনা ঈ এম এ হায়বা এসোসিএসন অমা থেংনজরকখি। ইংলেন্দ মণিপুরী এসোসিএসন হায়বনি। ইংলেন্দদা লৈবা মণিপুরী মচাশিংনা পূল্লগা শেম্বা অদুগুম্বা এসোসিএসন অমনি। লন্দন্দা হেদ ওফিস ওই হায়। এসোসিএসন অসিনা মণিপুরী মচা অমা বরমিংহেম য়ুনিভর্সিটিদা স্পোর্টসকী ট্রেনিং কোর্স অমদা শরুক য়ারি হায়বসি পাউ তারকপজাৎনি। মদুদগী ঐহাকসি মখোয়গী ফঙ্কসন অমদা শরুক য়ারনবা ইনভাইট পীরকখি। হায়রিবা থৌরমদু মখোয়গী ওইনা চহীগী পূনবা নুমিৎনি হায়।

চথরিবা প্রোগ্রাম মওংনা লন্দন সহরদগী খরা লাপ্পা কন্ত্রি সাইটকী লৌবুক অমদা নিংথিনা কেম্প শারগা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা পাঙথোকপা থৌরম ওইরমখি। ঐসু লাইবক ফদুনা অদুগুম্বা চহীগী ওইনা পূনবা প্রোগ্রামদুনা নুংঙাইনা য়াওজবা ফংজরকখি। লন্দনগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা থবক ইনখাং তৌনদুনা লৈবা ফেমিলি মেম্বর পূম্নমক লোয়না পূল্লগা পাঙথোকই। ময়াম অমগা অমগা অৱা নুংঙাই হংনবা, ঈশৈ নোংমাই শক্তুনা, জগোয় শাদুনা পূন্না চামিন-থকমিন্নদুনা হরাওমিন্নবনি। ঈশৈ ফজনা শকপা, জগোয় ফজনা শাবা, গিটর ফজনা খোংবা কয়াসু ময়ামদুগী মরক্তা য়াওরম্মী। নুমিৎ খরনি য়াম্না থাজদনা মণিপুরী মচা ময়ামগা লন্দন্দা পূনবা ফংজরকপদুসু য়াম্না নুংঙাইজখি। মখোয় ময়ামগী মরক্তা ঐবু খঙবা ইনাও অমসু য়াওরম্মী। ঐদি মহাক উবদসু পুঙক ঙকখি। মমিংদু লাইশ্রম থোই কৌই। মহাক্না ঐবু বরমিংহেম য়ুনিভর্সিটিদগী লৌবসু লাকখি। য়ুনিভর্সিটিদগী পার্মিসন লৌরগা মখোয় ময়ামগী নুমিৎ হুমনিগী পূনফম ওইরিবা মফমদু তান্না লাকপদা থেংনরকখিবা উরকখিবা কয়াদুসু নীংশিংলি। লন্দন সহরদগী কন্ত্রি সাইদরোমদা ফনা শাংনা ঐখোয় লৌবুক ফাওরগা লাকখি। মখোয়গী লৌবুক লমহাংশিং অয়াম্বা ঐনা উজরকপদা মনা-মশিং থাবদি কয়া উরক্তে। খরা খরা থারবসু অয়াম্বদি বিফ ফার্ম, য়াওগী ফার্ম, হামেংগী ফার্মনা অয়াম্বা ওইনা উরকখি। য়ামখ্রবা শাশিং অদু উবদা অঙকপা ফাওই। মথং মথং শাংনা লৌবুক ফাওরক্লগা মতাই অমদা মণিপুরী মচা ময়াম অমা পূল্লম্বদু উবদা পূক্লীং নুংশিবদুম ফাওখি। লৈরল্লিবা মণিপুরী মচাশিং, নুপী অঙাংশিংদু মণিপুরগী দ্রেস লোইনা শেৎলগা লৈরম্মী। নুপীশিংসু ফনেক ফজনা শেৎলগা মৈতৈগী ফি মতেক ইল্লগা লৈরম্বদুদা ঐদি নুংঙাইবগা লোয়ননা অঙকপসু ফাওখি। অখন্নবা তৌরিবা প্রোগ্রামদুগী মনুং চন্না মণিপুরী ঐখোয়গী নাটকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎননবা রুল অমা লৈবসু মাল্লি। মদুমদি য়াম্না ফৈ হায়জনীংই। লাপ্লবা মীরমদুদা মণিপুরীশিংনা মশাগী ওইবা ফিজেৎ চাকচা তৌদুনা লৈরম্বদুমক পেনবদি লৈত্রে। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মেরি কোম ট্রেনিং মনুংদা লম্বা তৌখিবা বাওট অহুম্মক মায় পাকপা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা মালেমগী নুপীগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন টাইটল ৬লক ফংবা ঙমখ্রবী মেরি কোমনা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা ট্রেনিং চথরিঙৈ মনুং কে জি ৫১গী কাঙলুপকী বাওটর অহুম থিন্নবদা অহুম্মক মায় পাকপা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা মেরি কোমনা মহাক্কী করিয়রগী ৬লকশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল অদু ফংবা ঙমখিবনি। মহাক মশামক্কী ৱেথ কেটাগোরি ওইরিবা কে জি ৪৮ দগী কে জি ৩ হেনগৎলগা কে জি ৫১ দা টোকিও ২০২০ ওলিম্পিক গেম্সতা মীৎয়েং থমদুনা মেদল লৌনবগী অচৌবা মঙলান অমা মঙফাওননবা অকনবা ট্রেনিং চথরি।

জর্মনিগী বর্লিনদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং অদুদা মেরি কোমনা য়ুক্রেনগী দারিয়া সিরৈবা, জর্মনিগী উরুসুলা গোটলোগ অমসুং নোরৱেগী ভেরোনিকো লোজভিকপু মায়থিবা পীখি। মহাক্না মায় পাকখিবা বাওট অহুম্মক জজ ৫ লৈখিবা অদুনা মহাক্কী মায়কৈদা পোইন্ট লোইনা পীদুনা ৫-০ মায় পাকখিবা ঙাক্তনি।

মেরি কোমনা পোলেন্দদগী ফোন্দা পাউ পীরকপদা মহাক হয়েং অঙনবদা ট্রেনিং অদু লোইরবা মতুং ইন্দিয়াদা লাক্লগনি। মহাক্কী মশাদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী ট্রেনিং অসিনা হেন্না মশা খিংবা বোক্সর অমা ওইহনবা ঙম্লে। মেরি কোমনা মহাক্কী কোচ সুতলান য়াদবপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ওল ইংলেণ্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

বিরমিংহম, মার্চ ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল ঙসি ইংলেণ্ডগী বিরমিংহম সিটিদা শান্নরিবা ওল ইংলেণ্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় চাইনীজ তাইপৈগী তাই জু য়িংগী মখূত্তা মায়থীহৌরে।



সাইনা নেহৱাল অমসুং তাই জু য়িং অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা মমাঙগী মেচ ১২দা সাইনা নেহৱালনা মেচ অমফাওবা মায় পাক্তনা লাকখিবনি। ঙসিগী মেচ অদুদা সাইনা নেহৱালনা মমাঙগী মেচ মায়থিখিবশিং অদুগী লমন খুন্নবা ফনা কন্না হাৎনরবসু কান্নবা পুরকপা ঙমখিদে।

তাই জু য়িংগী য়াম্না ফজবা মশান্না অদুদা সাইনা নেহৱাল পাউখুম পীবা ঙমখিদবনি। তাই জু য়িংনা শান্নখিবা দিসেপ্টিভ ষ্ট্রোক প্লেদা সাইনা নেহৱাল খূৎ হনবা ঙমখিদে।

অহানবা গেম অদু তাই জু য়িংনা খুদোংচাবা হেন্না ফংলবসু সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনখি। তাই জু য়িংগী মশান্না অদুদা মায়োক্লবা শান্নরোয় অমবু শোট অকনবা অমা তৌননবা মশাগী ফিভম চোংদুনা শেম-শাখ্রবসু য়ৈরকপদা অতপ্পা শোট অমা ওইনা নেট ময়াদা থাদবা ঙমখিবা লোয়ননা য়াম্না তপ্পা শোট অমা য়ৈগদবা মতাংদনা অশানবা শোট অমা য়ৈদুনা মহাক্কী লম্বা অদুবু তাঙ্কক কয়াদা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু সাইনা নেহৱালনা পোইন্ট ১৫খক য়ৌরকপদা ঙাইহিরিঙৈদা তাই জু য়িংনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিদুনা গেম অদু থোইখি।

অনীশুবা গেমদা সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনখি। অহানবা গেম অদু লোইরকপদা সাইনা নেহৱালগী কোচনা হায়রকপগী মতুং ইন্না তাই জু য়িংগী মশান্না অদু খরা তপথহন্না থম্বগী তঙায় ফদবা লৈ হায়দুনা মহাকসু লাল্লোং অদুদা শান্নবা হোৎনখি। অদুবু তাই জু য়িংগী খোঙজেল মশান্না অদুদা মহাকসু অদুমক পুখিদুনা তপথনা শান্নবা ঙমদবদগী অনীশুবা গেম অদু সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী ফনা ফজরবসু উপাই লৈতনা পোইন্ট ১৯ ফাওবা য়ৌরম্লগা তাই জু য়িং ২১-১৯দা থোইদুনা ওল ইংলেণ্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা টাইটল লৌবগী মঙলান থল্লম্বী মশাগী চহী ২৮ শুরবী টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা রনর্সঅপ ফাওবা তারল্লবী সাইনা নেহৱাল মিনিট ৩৭ ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায়থিহৌখি।

ঙসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায়থিবগা লোয়ননা সাইনা নেহৱাল অমসুং তাই জু য়িংনা মখোয় মখোয়গী করিয়রদা থেংনখিবা মেচ ২০গী মনুংদা তাই জু য়িংনা মেচ ১৫ মায় পাকপা ঙল্লি অদুগা সাইনা নেহৱালনা শুপ্নগী মেচ ৫খক থোইবা ঙল্লি।

মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদা সাইনা নেহৱালনা তাই জু য়িংবু ১৭-১৫ দা মাঙজিল থারবা মতুং ১৯-২১দা মায়থিখি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিশনা ইন্দিয়ান ৱেল্স এ টি পি মাষ্টর্স টুর্নামেন্টতা ফ্রান্সকী বেনো পাইরি মায়থীবা পীখ্রে

ইন্দিয়ান ৱেল্স, মার্চ ০৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী ইন্দিয়ান ৱেল্সতা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ান ৱেল্স এ টি পি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাওন্দগী মেচ অমদা ক্বালিফায়র অমা ওইনা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বেনো পাইরিবু অহানবা রাওন্দদা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাওন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরন টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়িংদা শরুক য়ারগা লাকখিবনি। মহাক্না ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা অহানবা রাওন্দগী মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর-৬৯ ফ্রান্সকী বেনো পাইরিবু অহৌবা সেটতগী লম্বা পীদুনা হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা টাই ৱেকতা শান্নবা তাখি।

গেম ৬-৬ থোইনখ্রবা মতুং টাই ৱেক অদুদা ইন্দিয়াগী ক্বালিফায়র প্রজনিশ গুনেশ্বরননা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা অহানবা সেট মায় পাক্লগা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বেনো পাইরিবু মাঙজিল থাখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরন হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ৯৭তা লৈরিবনি। মহাক্না ফ্রান্সকী বেনো পাইরিবু ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান ৱেল্স এ টি পি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাওন্দ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা মহাক্কী করিয়রগী য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমা ওইখি।

অনীশুবা সেটতা অহানবা সেটক্নুম্না শান্নরোয় অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা লৈনখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অনীশুবা সেট অদুদা মতাং মতম চানা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বেনো পাইরিগী সর্ভিস গেম অমা ৱেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা এ টি পি মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাওন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ইন্দিয়ান ৱেল্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাওন্দদা জোর্জিয়াগী ৱর্ল্ডনম্বর-১৮ নিকোলোস বাসিলাস ভিলিগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ফ্রান্সকী বেনো পাইরিবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা মহাক্কী করিয়রদা হান্না লৈরম্বা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী ৯৭শুবা পোজিশন অদুদগী থাক ১৭ হাইগৎলগা ৮০ শুবদা লৈগদৌরি।

প্রজনিশ গুনেশ্বরন মশামক্না ফোঙদোকখিবদা, ঙরাংগী মায় পাকখিবা মেচ অদু মহাক্কী করিয়রদা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা মেচশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা লণ্ডন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমব্লেদন্দা ক্বালিফায় ওইবা য়াবগী তাঞ্জা অমসু য়ৌশিল্লক্লেহায়খি।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা মহাক্না ইন্দিয়ান ৱেল্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাওন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জোর্জিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৮ নিকোলাস বাসিলাস ভিলিবু মায়থিবা পীবা ঙম্লবদি মহাক্কী করিয়রদা অমুক্কা হেন্না ফজবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী টেন্নিস পুৱারীদা নুপাগী সিঙ্গল্সকী ওইনা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা শান্নরোয় ওইগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপা দবল্সকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন ভোপানাদা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইনা কানাদাগী শপোভালোভকা প্যের ওইদুনা শরুক য়ারি।

অতোপ্পা পাউ অমদা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী করমান কোর থানবীনা মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ইটালিগী মারিয়া ত্রেবিসনবু ২-৬, ৬-৩, ৪-১ (রিটায়র্দ) দা থোইদুনা সেমি-ফাইনেল য়ৌনবা বৃটেনগী কেটি স্বানগা শান্নরগনি।



HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)

# ইন্দিয়াগী ফূটবোল টিম থাইলেন্দগী কিংস কপ ফূটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা শেম শারি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী)ঃ

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কিংস কপ ফূটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফূটবোল টিম শরুক য়ানবা শেম শারি। ৱাফম অসি ওল ইন্দিয়া ফূটবোল ফেদরেশনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।

ফেদরেশন্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা ওফিসিয়েল ওইনা কিং কপ ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা পীরকপা ইনভাইটেশন অমগী মতুং ইন্না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা শেম-শাগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপাগী ফূটবোল টিম অসি হন্দক্তা এ এফ সি এসিয়ান কপ ফূটবোল টুর্নামেন্টতা মায়থিহৌখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা অতোপ্পা লৈবাক্কী টিম অমগা শান্নবা অমসুং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এ এফ সি এসিয়ান কপ ফূটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা মখোয়গী গ্রুপ লীগতা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেট্স অমসুং বাহরানগী মখূত্তা থংন-থংননা মায়থিবা নংখিবা অদুনা মখোয় মথংগী রাওন্দদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

মায়থিবা অদুনা মরম ওইরগা মতম অদুদা টিম অসিগী কোচ ওইখিবা ইংলেণ্ড মচা ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইন ইন্দিয়াগী নুপাগী ফূটবোল টিম অসিগী হেদ কোচ ওইবগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবনি।

ষ্টেফেনগী মহুৎ হৌজিক ফাওবদা ওল ইন্দিয়া ফূটবোল ফেদরেশন্না রিগুল্যর ওইবা হেদ কোচ অমা থমদ্রি। মসিনা চাওনা শান্নরোয়শিং অসিদা থৌনা লৌথোকপা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি হায়না মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

থাইলেন্দগী কিংস কপ ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯৭৭ তা ইন্দিয়ানা অহানবা শরুক য়াখি। মদুদা টিম অদু অহুমশুবা পোজিশন তাখি। চহী অদুগী মনুং হন্দক থাইলেন্দগী ফূটবোল এসোসিয়েশন্না ইন্দিয়াবু ইনভাইট তৌদুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা অহানবা ওইরি।

থাইলেন্দগী কিংস কপ ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা য়ূম্বু ওইরিবা টিম অদু নত্তনা চাইনা অমসুং ভিএটনামসু য়াওগদৌরি। করিগুম্বা ভিএটনামগী টিম অসিনা শরুক য়াবগী অরোইবা ৱারেপ পীরক্ত্রবদি য়ুরোপ লৈবাক্তগী স্লোভেকিয়ানা মখোয়গী মহুৎ শিনবা য়ানা লৈরি। ইন্দিয়াগী ফূটবোল টিম অসিনা থাইলেন্দগী কিংস কপ ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারদুনা অহেনবা এক্সপোজর ফংগদৌরি।



HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)